


# সনালৈবাক স্পোর্টস

MONDAY, DECEMBER 22, 2014 PAGE 7




২শুবা হেরোজিৎ ৱারিবম গোল্ড কপ অন্দর ১৪ হোক্কি টুর্নামেন্টকী অহৌবা নুমিত্তা হোক্কি য়ুনিয়ন অমদি ফামনা শান্নখিবা মেটচগী মতাং অমা

মপান লমদা অদুক্কী মতিক শান্নরিবমখৈ এক্সপরিয়েন্স হেনগনি, মফম অমত্তদগীসু হেন্না এক্সপরিয়েন্স লৈরবা প্লেয়ার ফংবা ঙমদ্রি ঃ এমএস ধোনি

# নৌনা থাখিবা হোকী টর্ফকী অহানবা টুর্নামেন্ট ২শুবা হেরোজিৎ ৱারিবম গোল্ড কপনা ওইখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ঃ**

১৩ ফাইনান্স কম্মিসনগী মখাদা লুপা ক্রোর অমা চংনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স নৌহৌননা শেমগৎপগী মনুংচন্না কমপ্লেক্স অসিদা লৈরিবা হোকী ষ্টেদিয়মদা থারিবা অনৌবা এষ্ট্রো টর্ফ মতম খরগী মমাংদা থাবা লোয়খ্রবসু টুর্নমেন্ট অমত্তা পাঙথোক্তনা লাক্লম্লবসু ঙসিদগী মণিপুর হোকীনা শিন্দুনা ২শুবা হেরোজিৎ ৱারিবম গোল্ড কপ অন্দর ১৪বোইজ হোকী টুর্নামেন্ট ২০১৪ হৌখিবগা লোয়ননা তফ অসিদা পাঙথোকপা অহানবা টুর্নামেন্ট ওইখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিদা টিম তরুক্না শরুক য়ারি। অহৌবা মেটচতা হোকী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা ফাম ইম্ফালবু গোল ২–০ দা মায়থীবা পীখ্রে। টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরমদা এমএলএ এন বিরেন সিংহ, ওল মণিপুর ৱাক্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু)গী প্রাসিদেন্ট ৱাংখেমচা শমজাই,রিমসগী ওফষ্ট্রেটিক এন্দ গাইনিকোলোজিগী প্রোফেসর অমদি হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ওইরম্বা ডাঃ সিঐচ মংলেম সিংহ অমদি মণিপুর হোকীগী সেনিয়ার ভাইস প্রাসিদেন্ট সবিতা দেবীনা মথংশিংনা চিফ গেষ্ট,গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং প্রাসিদেন্ট ওইদুনা টিমশিংনা চৎখিবা মাস পার্সকী সালামী ওকখি। শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি হোকী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাই, ফাম ইম্ফাল, কে ঐচ এস সি খোংমন, সি ও অকামপাৎ, এ জে এস এ জিরিবাম অমদি ঐচ এ ৱাই টি শিংজমৈ ৱাংমা খেত্রিলৈকাইনি।

হোকী য়ুনিয়ন অমদি ফামনা শান্নখিবা ক্বাটর মরিগী ওইবা (ক্বাটর অমদা মিনিৎ ১০) মেটচ অদুগী হোকী য়ুনিয়নগী গোল ২ অদু অহানবা ক্বাটরগী মরিশুবা মিনিত্তা টি ঐচ ইঙালেম্বানা ফিল্ড গোলদা ১ অমদি ৱাই বিদ্যানন্দানা ৩৫ শুবা মিনিত্তা ফিল্ড গোলদা ১ চনখিবনি। হোকী য়ুনিয়ননা পেনালটি কোনর ২ অমসুং ফামনা পেনালটি কোনর ১ ফংনরবসু গোল ওন্থোকপদি অমত্তা ঙম্মখিদে। কে বসন্তা মৈতৈ অমদি এম রিনাস মৈতৈনা অম্পয়ার ওইদুনা মেটচ অদু কন্দক তৌখি। হয়েং অয়ুক্কী পুং ৯.১০ দা ফামগা কে ঐচ এস সি গা, নুংথিলগী পুং ১ দা সিয়োগা এ জে এস এ গা অমদি নুংথিলগী পুং ২ দা হোকী য়ুনিয়নগা ঐচ এ ৱাই টিগা শান্নগনি।

# মায় পাক্লবা এ দি কে টিম্বু হরাও তয়াম্না ওকখ্রে

**কোলকত্তা, ২১ দিসেম্বর ঃ**

খৃষ্টমাস কুম্মৈ মাংওইননা ‘‘সিটি ওফ জয়’’ সহর কোলকত্তাদা অহানবা ইন্দিয়ান সুপর লিগ ফুটবোলগী চেম্পিয়ন এটলেটিকো দি কোলকত্তা (এ দি কে) টিম্না নোংমাইজিং নুমিত্তা ত্রোফিগা লোয়ননা কোলকত্তা থুংলরবদা মীওই লিশিং কয়ানা হরাও তয়াম্না প্লেয়ারশিং অমদি ওফিসিয়েলশিংবু ওকখ্রে।



অঙৌবা অমদি অঙাংবনা চৌরাং লাংবা টিমগী জর্সি লিৎপা ফেনশিংনা ফুটবোল টিম্না বসতগী হেক কুমথরকপগা ‘থ্রি চিয়ার্স টু এ দি কে… হিপ হিপ হুররে’ হায়না লাওদুনা ত্রোফিগা লোয়ননা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখি হায়রি।

টিম কেপ্টেইন লুইজ গার্সিয়া অমদি কোচ হাবাসনা লংলবা ত্রোফিদু পুন্না পায়মিন্নরগা ফেনশিংনা থল্লবা মোল অমদা চংলক্লগা মীয়ামদা ত্রোফি অদু উৎখিবগা লোয়ননা কো–ওর্নর ওইরিবা ক্রিকেটর সৌরব গঙ্গুলিনা মীয়ামদা থাগৎ ৱাহৈ পীরকপদা মীয়াম্নসু হরাও তয়াম্না লাউ খোঙদুনা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লরকখি।

এ দি কে টিম অসি সৌরব গঙ্গুলি অমদি সঞ্জিব গোইনিকানা পুন্না কো–ওর্নর ওইমিন্নবনি। সৌরব গঙ্গুলিনা হায়খিবদা কোলকত্তানা আই পি এল (ক্রিকেট)তা নত্তনা ইন্দিয়ান সুপর লিগ (ফুটবোল) দসু চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্লিবসি য়াম্না চাউথোকচনিংঙাইনি।

অনৌবা ত্রোফি কয়াসু তুংদা লৌবা ঙম্নবা ঐখোয়গী মতিক চাবা শান্নরোইশিং ৱাত্তনা লৈরি অমদি মতুং তাবা লিগতসু চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কোলকত্তাগী চিফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনসু এ দি কে না লিগ চেম্পিয়ন ওইবগী হরাওবদা শরুক য়াবা ওইনা ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা নুংঙাইবগী মেসেজশিং থারক্লুনা টিম মেম্বরশিংগী পুক্নিংবু থৌগৎলকখি হায়নসু গঙ্গুলিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ৱিন্নর ওইরবা এ দি কে না প্রাইজ পর্স ওইনা লুপা ক্রোর ৮ গী মথক্তা অহেনবা ইন্সেন্টিভসু ফংলগনি খঙনরবসু কো–ওর্নরনা অশেংবা চপ চাবা মশিংদি ফোঙদোকউ য়াখিদে হায়নসু পাউগী লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

এ দি কে না মথংগী লিগতসু হেন্না ফবা প্লেয়ারশিংগা লোয়ননা লিগ টাইটল অসিবু দিফেন্দ তৌনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়নসু কো–ওর্নরশিংনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

# বোনানা ৪ শুবা সি ৱাই এল সি ওপন টেনিস চেম্পিয়নসিপগী মেন্স সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ঃ**

এসোসিয়েসন ওফ টেনিস লভর্স চীঙামথক্না শিন্দুনা চীঙামথক য়ং লন্নর্স ক্লব (সি ৱাই এল সি)গী টেনিস কোর্টতা চত্থরকখিবা ৪শুবা সি ৱাই এল সি ষ্টেট লেভেল ওপন টেনিস চেম্পিয়নসিপ ২০১৪ ঙসি লোয়শিনখিবগা লোয়ননা মেন্স সিঙ্গলগী টাইটল কে ঐচ বোনানা লৌখ্রে।



মেন্স সিঙ্গলসগী টাইটল লৌখ্রবা বেক্কর অমসুং বোনা (ওইরোমদগী)

মেন্স সিঙ্গলসগী ফাইনেলদা কে ঐচ বোনানা ঐচ বেক্করবু সেত ২–০(৬–৪,৬–৩)দা মায়থীবা পীরগা টাইটল লৌখিবনি। মেন্স ওপনগী ফাইনেলদা কে ঐচ বোনা অমদি কে কে প্রিতমগী মপাংনা রিবাসকর অমদি ৱই লেলেঞ্জিগী মপাংবু ৬–৭(২–৭),৭–৫,১০–৮ তা মায়থীবা পীরগা ৱিন্নর অমসুং রন্নরর্স অপ ওইখি। চহি ১৪ মখা নুপামচা সিঙ্গলসগী ফাইনেলদা লুচিং লুক্রাম্না এন দেরেক্না ৬–৪,৬–৩ দা মায়থীবা পীরগা ৱিন্নর অমসুং রন্নরর্স অপ ওইখ্রে। ভের্টেরান দবলসগী ফাইনেলদা দিলিপ অমদি কংজাম্বগী মপাংনা চাওবা অমদি ইবোতোম্বীগী মপাংবু ৬–৩,৬–২ দা মায়থীবা পীরগা ৱিন্নর অমসুং রন্নরস অপ ওইখি।

চহি ১০ মখা নুপামচাগী ৱিন্নর অমদি রন্নরর্স অপনা ভুসন অমসুং চার্মী দেবীনা ওইখি। টুর্নামেন্ট লোয়শিনবগী থৌরমদা শৈরাংবা হুইদ্রোম ভুবোন সিংহ, সি ৱাই এল সি গী প্রাসিদেন্ট মাইবম চিতরঞ্জন সিংহ, মণিপুর টেনিস এসোসিয়েসনগী প্রাসিদেন্ট টি পামৈ আই এ এস অমদি কাদাগী হান্নগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার দল্লিয়ু কুমার মৈতৈনা মথংশিংনা চিফ গেষ্ট, প্রাসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইদুনা মকোক মথং তাখ্রবা শান্নারোইশিংদা মনা মথুমশিং য়েন্থোকখি।

# আইওএ না বোক্সিং ইন্দিয়া শকখঙদনবা ফিরেপ লৌখ্রে

**চেন্নাই, দিসেম্বর ২১ঃ** ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসন (আইওএ) না বোক্সিং ইন্দিয়া (বিআই) বু নেসনেল ফেন্দরেসন অমা ওইনা শক খঙদনবা লেপখ্রে। মদুগী মহুত্তা ইন্দিয়ান অমেচর বোক্সিং ফেন্দরেসন (আইবিএফ) ওইনা শকখঙনবা খন্নখ্রে।

ফিরেপ অসি আইওএ গী ইরাই নুমিত্তা চেন্নাইদা পাঙথোকখিবা এনুয়েল জেনরেল মীটিংদা মত অমত্তা ওইনা য়ানখিবনি। মসিদা অঙকপা অমনা আইএবিএফ হায়রিবা ফেন্দরেসন অসি ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিয়েসন (এআইবিএ) না চহিসিগী হৌগৎলকপা মতমদা সম্পেন্দ তৌখিবগা লোইননা মিনিষ্ট্রিনসু দি –রিকগনাইজ তৌখ্রবনি। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা য়াম্না লুরিবদি বোদি অমবুনা পেরেন্ট ইন্টরনেসনেল বোদি অমনা শক খঙলি অদুগা অতোপ্পা বোদি অমদনা লৈবাকসিগী ওইবা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী স্পোর্টস বোদি অমনা শৌগৎলিবা অসিনি।

আইওএ গী ফিরেপ অসি লৈজরবসু মসিনা বোক্সরশিং ওলেম্পিক এসিয়ান গেমস নত্রগা কম্মনৱেল্‌থ গেমসনচিংবা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা ইভেন্টশিংদা শরুক য়াবদা অথিংবা অমত্তা লৈতে। অদুবু নেসনেল গেমসতদি বোক্সিং ইন্দিয়ানা এপ্রুভ তৌবা বোক্সরশিং শরুক য়াবা য়াহল্লোইদৌরি।

এআইবিএ না শৌগৎপা অসিনা মরম ওইরগা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা ইভেন্টশিংদা করিগুম্বা অথিংবা অমত্তা লৈরোই। নেসনেল গেমসতদি বোক্সিং ইন্দিয়াদা লৈবা বোক্সরশিংদি মাংজবা তাই হায়না বিআই গী প্রসিদেন্ট সন্দিপ যাজোদিয়ানা পাউগী এজেন্সি অমদা ফোঙদোকখি।

এজিএম না লৌখিবা ফিরেপ অসিগী মতাংদা শন্দোক্না হায়রদুনা আইওএ গী প্রসিদেন্ট এম রামচন্দ্রনা সঞ্জিব মহেতাগা লোইননা ফোঙদোকখিবদা ৱাফম অসি য়াম্না কুপ্না খন্নখি অমসুং একজিক্যুটিভ কম্মিটিদা য়াওরিবা মেম্বর খুদিংমক্না মত অমত্তা ওইনা য়ানখিবা অসি আইওএ গী ওইনদি আইএবিএফ পু শক খঙবা হায়বসিনি।

মমাংদা চনৈনবা কয়া অমা লৈখি অমসুং আইওএ না এদহোক কম্মিটি অমা শেমদুনা য়েংশিনখি। মদুগী মখা তাবদা আইবানা কম্মিটি অদুগী ফিরেপ মতুংইন্না বিআই বু শক খঙখিবনি। আইওএ না ৱাফম অসি আইবাগী প্রসিদেন্টতা পুখৎখি।

আইবাগী ওবজার্ভরশিং য়াওনা আইওএ গী মখাদা ইলেক্সন তৌবা পামখিবনি। অদুবু আইবানা হায়রিবা ৱাফম অদু য়াখিদে অমসুং বিআই না আইবাগী মখাদা আইওএ গী ওবজার্ভর নত্রগা গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মীহুৎ অমত্তা য়াওদনা মখোয়গী মীখল পাঙথোকখিবনি।

আইওএ গী হন্দক লৌরিবা ফিরেপ অসি নেসনেল ওলেম্পিক বোদি অসিনা এদহোকতা থম্বা পান্বগী ফিরেপ্তা হেন্না লৈ হায়না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। হন্দক আইওএ না লৌরিবা ফিরেপ অসি লৈবাক অসিদা বোক্সিং মশান্না চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা য়াম্না লাইবক থিবা মওং অমা ওইগনি। আইবাগী ওবজার্ভর অমগী মখাদা মখোয়গী ইলেক্সন য়াম্না ফ্রি অমসুং ফেয়ার ওইনা পাঙথোকখিবনি।

ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিয়েসন (আইবা)না রিকগনাইজ তৌখিবা থা অমগী মনুংদা বিআইনা ৱুমেন্স নেসনেলশিং শিন্দুনা পাঙথোকখি অমসুং লাক্লিবা জানুৱারী থাদা নুপাশিংগী নেসনেল টুর্নামেন্টশিং পাঙথোক্লবা শেম শাবা লোইরবনি।

করম্বা মওংদগী আইওএ না বিআই বু শক খঙদ্রিবনো অমসুং মদুগী মহুত্তা মথৌ তৌদনা লৈরবা আইএবিএফতা মতেং পাংশিল্লিবনো হায়বসি খঙবা ঙমদে। মসিদি মীনা ইনশিনবদা চৎপা খোঙথাং অমা ওইবগা লোইননা রাজনীতিগী খুৎ চংবা মাল্লি হায়না যাজোদিয়ানা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা সেপ্টেম্বর থাদা আইবানা বিআই দা ফুল মেম্বরসিপ পীখি। মদুগী মতুং ইন্না আইওএ দা এপ্লিকেসন পীখি অমসুং স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিদসু শক খঙবীনবা হায়জখি। বিআই গী ওইনদি ইন্দিয়াদা লৈরিবা স্পোর্টস ফেদরেসন অমগী ইলেক্সন অমা পাঙথোকপা তারগদি শোয়দনা আইওএ দা পাউ পীবা হায়বসিনি। মসি মরুওইনা গ্রুপ অনিগী মরক্তা য়েংনবা লৈরবা মতমদনা হেন্না মরুওই। আইওএ খঙহল্লমদবা হায়বসি মশান্না অমত্তদা অফবা ওইরোইহায়খি। অদুবু নাকল নাম্মতগী ওইবা মীৎয়েংদা ইন্টরনেসনেল বোদি অমনা সেঙ্কসন থম্বা হায়বসি য়াফম থোক্তে। ইলেক্সন মনুংদা ইরিগুলরিটি কয়া লৈখি হায়বগী কমপ্লেইন মশিং লাকওমদনা ফংখি। আইওএ দা লৈরিবা ওটোনোমি অসি করিগুম্বা মওং অমত্তদা কম্প্রোমাইজ তৌরোই হায়না আইওএ গী প্রসিদেন্ট রামচন্দ্রননা ফোঙদোকখি।

# নপসানা মোদেল ক্লব ৱিকেট ২ দা মায়থীবা পীখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ঃ**

লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দ লুৱাংশংবমদা চত্থরিবা ১২শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট চেম্পিয়নশিপ ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা নাপসা খা ইম্ফালনা মোদেল ক্লব চীংঙা মখাবু ৱিকেট ২ দা মায়থিবা পীখ্রে। মেন ওফ দি মেটচনা নাপসাগী গৌতম্না নোট আউট ওইরগা রন ১৯ অমসুং ৱিকেট অনি লৌরগা তাখি।

মেটচ অসি মোদেল ক্লবনা টোচ ঙম্লগা হান্না বেটিং তৌখিবদা অপিবা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৯ আউট ওইরগা রন ১০৯ লৌখি। ইন্নিংস অদুদা মুজিবুরনা বোল ৪৫ দা রন ২০, রজিবনা বোল ২৯ দা রন ১৭ অমদি বিক্রমজিৎনা বোল ২৪ দা রন ১২ লৌখি। নাপসাগী বোল্লর গৌতম অমদি রতননা ৱিকেট ২/২, ভোগেন অমদি রোনিনা ৱিকেট অমমম লৌখি। নাপসানা অনিশুবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌখিবদা টার্গেট রন ১১০ অদু ওভর ২৯.১ দা ৱিকেট ৮ আউট ওইরগা লৌদুনা ৱিকেট অনিদা মায় পাকখিবনি। ইন্নিংস অদুদা পুসপেননা বোল ১৮ দা রন ২৩, গৌতমনা বোল ৩২দা রন ১৯ (নোট আউট), সোমোন্দ্রোনা বোল ৩৫ দা রন ১৮ অমদি বিপিননা বোল ২৯ দা রন ১৭ লৌখি।

মোদেল ক্লব বোল্লর তোম্বনা ৱিকেট ৩ , সঞ্জিৎনা ৱিকেট ২ অমদি চেরিসনা ৱিকেট ১ লৌখি। হয়েং দি এস য়ু ক্লাকৈথেলগা য়ু সি সি উরিপোক্না শান্নগনি।

# রবিচন্দ্র ফুটবোলগী অহৌবা মেটচ দ্রো ওইখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ঃ**

এম রবিচন্দ্র ট্রষ্ট ক্যামগৈনা শিন্দুনা ঙসিদগী ক্যামগৈ আইদেল হায় স্কুল গ্রাউন্দদা টিম ১৯ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা ৬শুবা ষ্টেট লেভেল এম রবিচন্দ্র মেমোরিয়েল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪–১৫ হৌখিবগা লোয়ননা অহৌবা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচতা বি এফ সি বাসিখোং অমদি আইদিয়া সঙাকফম গোল ৩–৩ দা দ্রো ওইখ্রে।

বি এফ সি অমদি আইদিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী বি এফ সিগী গোলশিংনা চীংথৈ, এলেক্স অমদি রঘুমনিনা মথংশিংনা ১৭,৩৭ অমসুং ৪২শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

আইদিয়াগী গোলশিংনা পিটর, থোমাস অমদি তোমারজিৎনা মথংশিংনা ৮, ২০ অমসুং ৫০ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

হয়েংগী অহানবা মেটচতা গ্রুপ (বি) গী কে এফ সি (বি) ক্যামগৈগা ৱাফা ৱাঙ্গৈইগা নুংথিলগী পুং ১ দা অমদি অনিশুবা মেটচতা গ্রুপ (এ)গী ঈ এফ সি ককৱাগা এম আর সি চজিং মাইরেনখোংগা শান্নগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি গ্রুপ (এ) দা বি এফ সি বাশিখোং, ঈ এফ সি, ককৱা, এম আর সি, চজিং মাইরেনখোং, আইদিয়া, সঙাকফম, এ বি সি, ফৈদিংগা, গ্রপ (বি) দা কে এফ সি (বি) ক্যামগৈ, এ এফ সি, সগোলবন্দ, এলেভেন হোগ, সোইবম লৈকাই, ৱাফা, ৱাঙ্গৈই, গ্রুপ (সি)দা কে এফ সি (এ) ক্যামগৈ, আর দি দি ৱাঙ্খৈ, ৱাই এফ সি, য়াইস্কুল, দি এফ এ, ককৱা, এস দি সি, শামুরৌ, গ্রুপ (দি) দা বি পি ৱাই সি, বাসিখোং, দি এফ সি, চজিং, কে এম এফ সি, ক্যামগৈ মুস্লিম, আর এফ সি, সগোলবন্দ অমদি কংলা এফ সি,ক্যামগৈনি।

# দবং মুম্বাইনা মিথিউ স্বান সাইন তৌখ্রে

**নিয়ু দিল্লি, ২১ দিসেম্বর ঃ**

মথং চহি ২০১৫ গী জানুৱারি ২২ দগী ফ্রেবুৱারী ২২ ফাওবা পাংথোক্কদৌরিবা হিরো হোক্কী ইন্দিয়া লীগ (হীল) ২০১৫ গী তিমশিংগী অফবা হোক্কী প্লেয়ারশিং লৌশিন্নবগী থবক কনখৎনরক্লি। ইন্দিয়াগী প্লেয়ারদা নত্তনা মপান লৈবাক্কী মমিং নাইরবা হোক্কী প্লেয়ার কয়া য়াওনা শান্নগদৌরিবা হোক্কী লীগ অসিগী মরু ওইবা টিমশিংনা মখোয়–মখোয়গী প্লেয়ারশিং অপাম্বা খল্লগা পৈশা চবুন পীনদুনা য়ানবগী মতুং ইন্না ফাইনেল প্লেয়ারশিংগী লীষ্ট পীনগদৌরিবনি।

মমাংগী লীগতা মুম্বাই মেজিক্সিয়ান টিম মুত্থৎলগা নৌনা দবং মুম্বাই হায়বা মমিং থোন্দুনা নৌনা ২০১৫ গী হোক্কী লীগ তা য়াওগদৌরিবা টিম অসিনা আষ্ট্রেলিয়াগী মিদ ফিল্ডর মেথিউ স্বান বু ইয়ু এস দোল্লর ৭৪,০০০ দা য়ানবগী মখাদা সাইন তৌখ্রে। মেথিউ ২০১৫ গী লীগতা মুম্বাই মেজিক্সিয়ান টিমদা শান্নরম্বনি। মশাগী চহি ২৫ তা শুরিবা মিদ ফিল্ডর স্বান ২০১৩ গী ৱার্ল্ড কপ ৱিন্নিং কেম্পেইনদা য়াম্না মরু ওইবা রোল লৌদুনা শান্নখিবা মমিং লৈরবা আষ্ট্রেলিয়াগী হোক্কী প্লেয়ারনি।

দবং মুম্বাই টিমদা মিথিউ স্বান দা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা হৈথোই শিংথোইরবা ষ্টার প্লেয়ার কয়াসু য়াওরি। তো বুন, হর্মনপ্রিত সিংহ, গ্লেন তর্নর, নিক কাটলিন, ফ্লোরিস , এভৱস,অর্জুন হল্লাপা, দেবিদ হার্ত নচিংবা মমিং পন্বা য়াই।

মিথিউ স্বান ২০১১ দা ইন্টর্নেসনেল হোকী ফেদেরেসন্না য়ং প্লেয়ার ওফ দি ইয়ার গী মীংথোল পীখ্রবা অফবা হোক্কী শান্নরোইনি।

# ইন্দিয়াগী শ্রীকান্ত অমদি সাইনা ফাইনেল চঙবা ঙমহৌদ্রে

**দুবাই,দিসেম্বর ২১ ঃ** মফম অসিদা শান্নরিবা ৱার্ল্ড সুপর সেরিজ বেদমিন্টন ফাইনেলসগী সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা ইন্দিয়াগী নুপাগী বেদমিন্টন শান্নরোই কীদম্বী শ্রীকান্ট অমদি নুপীগী শান্নরোই সাইনা নেহৱাল মায়থীহৌদুনা ফাইনেল চংবা ঙমহৌদ্রে।২০১৪ চীনা ওপন গী ৱীন্নর ওইরিবা শ্রীকান্টনা চীনাগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ান চেন লোংগা শান্নখিবা য়াম্না ফজনা অহান্বা গেমগী হৌরকপদা য়াম্না ফজনা অমদি চেকশিন্না শান্নদুনা পোইন্ট ১৬–১০ দর মাংজিল থাদুনা চংলকখি। হেন্না এক্সপরিয়েন্স লৈরবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন চেনলোংনা মাগী হৈজবা স্কীলশিং শীজিন্নদুনা তপ্না তপ্না শ্রীক্টপু লাকশিন্দুনা শান্নরকপনা মরম ওইদুনা অহান্বা গেমদু থাজদনা ২১–১৮ চেন লোংনা থোয়বা ঙমখি। অনিশুবা গেদি চেন লোংনা হেন্না লাকশিন্না শান্নরক্লুনা য়াম্না লায়না ২১–৯ দা অমুকসু মায় পাকপনা মরম ওইদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল চংখি। ফাইনেলদা চেন–না দেনমার্ককী হান্স কৃষ্টন ভিটিঙ্গসকা থেংনরগনি। ভিটিঙ্গসনা অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা মরমদগী অতোপ্পা শান্নরোই জান ৩ জোগেসনবু ২১–১১, ২১–১৭ তা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চংলকখিবনি।

# নুমিৎ ২১ গী থাঙ তা নন–রেসিদেন্সিয়েল কেম্প হৌখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ঃ**

নুমিৎ ২১ নি চুপ্না চত্থগদবা থাঙ তাগী নন–রেসিদেন্সিয়েল কেম্প অমা হ্যুয়েন লানলোং থাঙ তা এসোসিয়েসন, মণিপুর য়ুম্নাম হুইদ্রোম্না শিন্দুনা ঙসিদগী এসোসিয়েসন অসিগী শঙলেন্দা হৌখ্রে।

কেম্প অসি হৌদোকপগী থৌরমদা খা মণিপুর থাঙ তা শিন্দক্তম ৱাবগাইগা শিন্তাক পুরেল য়ুম্নাম অমুমচা সিংহ, হ্যুয়েন লাল্লোন থাঙ তা এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম প্রেমকুমার সিংহ, ইষ্টর্ন থাঙ তা ওর্গনাইজেসন তাংখমগী সেক্রেটেরি এন জিবন সিংহ অমদি মিসা হৈঙাংগী শিন্তাকপা এন ইবোহল মৈতৈনা মথংশিংনা চিফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইখি।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা হন্দক্তা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা চহি ১৭ অমদি ১৯ মখা নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী ৬০শুবা নেসনেল স্কুল গেমস চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াখিবা থাঙ তা শান্নরোইশিংসু ওকখি।

কেম্প অসিগা মরী লৈননা চিফ গেষ্টনা হায়, ইরৈবাক অসিগী লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংনা থাঙ তাগী মহৈতনা য়েক্লবা কয়াগা ঈ–নাই তাবমখৈ লাঙ্গেংনদুনা ইরৈবাক্কী ঙমখৈ ঙাক্লন্নদু হৌজিক্তি মালেমগী মীপুম কয়া কয়াবু থাঙ তা মহৈনা মরম ওইদুনা মরুপ মপাং শেমগৎপা অমদি লাইওইখ্রবা ইপা ইপুগী কন–থৌবা, থৌনা ফবা পুৱারী কয়া লিগদবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# লাংথবাল কেন্দ্র ইন্টর ক্লব স্পোর্টস মিট হৌখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ঃ**

চজিং ঈনাৎ কনবা লুপ (চিকল) লিলোং চজিংনা শিন্দুনা লুপ অসিগী গ্রাউন্দদা ২৬শুবা লাংথবাল কেন্দ্র ইন্টর ক্লব স্পোর্টস মিট ২০১৪ হৌখ্রে।

ফুটবোল মশান্নগী ওইনা অহৌবা নুমিত্তা শান্নখিবা মেটচতা এম য়ু, মন্ত্রিখোঙনা কে এ এল ৱাই সি, কারাম অৱাং লৈকায়বু গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

এম য়ু মন্ত্রিখোংগী গোলশিং অদু ও রোসননা ৫১ অমদি ৫৫ শুবা মিনিটতা ২, গোলমৈ অমদি লাসিংমৈ রোংমৈনা মথংশিংনা ২ অমসুং ১৯শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। কে এ এল ৱাই সি, কারাম অৱাং লৈকায়গী গোলশিং অদুনা কে অমরজিৎ অমদি পি প্রসনজিৎনা ৪৫ অমসুং ৫৬ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। হয়েংগী অহানবা মেটচতা এন এফ সি নারানকোঞ্জিনগা বি পি য়ুনাইটেদ চজিংগা নুংথিলগী পুং ১ দা অমদি অনিশুবা মেটচতা ঐচ এন এস সি, হাওরৈবীগা এল ৱাই এস এস য়ু, লিলোংগা শান্নগনি।


F.i tutorial for CBSE

For Acheiving Excellence in CBSE

Keishampat Hodam Leirak,opp.Tiddim oil pump.

ADMISSION OPEN

Compact and Exam preparatory Revision Course ---- for Class-XII CBSE

Class commencing from 17th NOV , 2014

Last date of Admission --10th NOV.2014

- Chapterwise analysis for every subjects.
- Analysis of CBSE Questions pattern.
- Highly suggested study materials for Exam.
- Analysis of probable question for the forth coming Exam.
- Analysis of impovement of weaker students.

Class timing: 4.30 p.m to 7.40 p.m.

Subject: All

Hostel &Transport Facilities available

For details please contact office- 1 p.m to 8.00 p.m or # 8575317894 &9856941992 (Sunday Open)